হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৫০ শুবা মশীং

# আই-এমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট

## *ষ্টেট অহুমগী পোলিটিকেল পার্টিশিং চুংশিন্নবা মতম য়ৌরে*

**মতম** শাংলবা এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং লালহৌলূপ অসিগী মরক্তা কুমজা ২০১৫দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখ্রে। আই-এমগী লুচিংবা থুইঙালেন মুইভা অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ৱারী শান্নবা হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি অনীনা খূৎয়েক পীনদুনা অমনা অমদা লান্নখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুদা করি য়াওরিবগে হায়বা কনামত্তা খঙহন্দনা থম্লক্লি। লৈঙাক্কী ত্রান্সপরেন্সি হায়বদুদগী হেন্না লুবা মচাক অমা ওইহল্লিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুনা মরুওইনা মণিপুরদদি মশীং য়াম্বা কাঙলুপ ওইরিবা মীতৈশিংগী থম্মোয়দা খম থেংনা মীপাইবা পোক্লে। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মশাগী ঙমখৈ, লোন, ময়েক লৈজদুনা মালেমগী নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা তিনখ্রবা তুংদা মশাগী ঙমখৈ নৎত্রগা অপূনবগী শক্তম ঙাকপা ঙমদবগী ফীভম অমা লৈরকপসিদা কাঙবু খরদি খম থেংনা শাওবা পোক্লরে, করিনুংগী ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা য়াওরুবনো হায়বগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোক্লবা হৌরক্লে। মশাগী ঈ কৎতুনা থেঙ্খাং কয়ারক্তা নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনরম্বা মীতৈনা মশাগী লমগী মপূ ওইবা ঙম্লক্তবা অমসুং অপূনবগী শক্তম কনবা ঙম্লক্তবগী ফীভম লাকপদা নুংনাংলোইদবা মীতৈ লৈরমগনি হায়বা থাজদে। অমরোমদনা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইরগা কায়রুরবা চীংমী-তম্মীগী মরী শমজিন্নবা ঙম্লে হায়দুনা কনাগুম্বা খরনা ক্লেইম তৌরকপসু য়াওই। চুম্মী চীংগী লমগা তম্পাক্কী লমগা চাওখৎপগী থোং মান্নদ্রে, চীংদা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা মখোয়বু চাওখৎহন্নবা হোৎনসি হায়বদি য়াই। মদু নত্তনা তম্পাক লমগী মীয়ামগা চীংমীশিংগগী মরক্তা মচেৎ-মকায় তারে হায়না এন এস সী এন (আই-এম) না মমাঙঙৈদগী হৌনা ক্লেইম তৌদুনা লাকপা অদু হৌজিক্তি অশেংবা ওইনা উহল্লে। শন্না হায়রবদা আই-এমনা ক্লেইম তৌরকপা ৱাফম অদু লৈঙাক্না খুদম ওইনা উৎথোক্লে। অদুবু ঐখোয়না খঙগদবদি চীং অমসুং তমদা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং নৎত্রগা শমজিন্নবা য়াদবগুম্না উহল্লিবসিদি মীয়াম্না নত্তে, লালহৌলূপ অমখক্কী প্রোপেগন্দাদগী থংথরকপনি। মসিদা মীতৈনা থুবা হায়বা হায়বসি আই-এমগী লাংদা থুবগা চপ মান্নে। মসিনা আই-এমনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফংখিননবগী মরূ হুলহনবা ওইনা থোক্কনি।

য়ুনাইটেদ কন্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম), ওল মণিপুর ক্লব ওর্গেনাইজেসন (অমুকো) অমসুং কন্মিটি ওন সিভিল সোসাইটি কংলৈপাক (সী সী এস কে) না শিন্দুনা হন্দক্তা মণিপুরদা বেজ তৌরিবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্বগী মীফম অমা কৌদুনা আই-এমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা পূন্না ৱা খন্নখিবা অদু অফবা মায়কৈ অমনি। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ মঙা লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিং লোয়ননা ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক খেন্নবা থমদনা পূন্না চপ মান্নবা মিৎয়েং অমদা চৎমিন্নবা; নবেম্বর ১৮দা পাঙথোকখিবা ওপন দাইলোগ ওন দি পোজিটিভ আউট কমস ওফ দি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদা লৌখিবা মীয়ামগী ৱারেপ অদুবু ফমখিবা অপূনবা মীফম অদুনা অমুক হন্না রি-এফার্ম তৌরে; মখা তানা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা চঙশিল্লক্কদবা মরন্নাইগী ওইবা নৎত্রগা অপূনবা পোলিটিকেল পার্টিগী খোঙথাং খুদিংমক মীয়ামগী ৱারেপ অসিবু ইকায়খুম্নবা মওংদা মান্ননা চঙশিনমীন্নবা; অথুবা মতমদা সেন্তরদা চৎতুনা মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি অপূনবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা তৌবা য়াবা প্রেসর মরী লৈনবা সেন্তরগী লীদরশিংদা পীবগা লোয়ননা সী এস ওশিংগী অপূনবা টিম অমা অথুবদা সেন্তরগী লীদরশিংদা চপ মান্নবা মওংদা পীবা অমসুং ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পূন্না খঙমিন্নবা, পাক শন্না মণিপুরগী মরুওইবা মফমশিংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী মতাংদা জেনরেল এৱ্যার্নেস কেম্প্যেন পাঙথোকপা হায়বসি য়াওরি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ৱাথোক ওইরবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী থৌবু ওইরিবা নাগালেন্দ ষ্টেটতি ওপোজিসন নৎত্রগা রুল্লিং হায়বা অমত্তা লৈতনা চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা আই-এমগা পূন্না চৎমিন্নবদৌনা তৌরি। এগ্রীমেন্ট অসিনা শোকহনগদৌরিবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ওইনদি ষ্টেট খরদনা মৈশা লাংলি অদুগা খরনা ঈংনা-চিক্না করিসু তৌদবদৌনা লৈরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ষ্টেট অহুম অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং চুংশিন্নরগা মতম লৈরিঙৈদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা অকনবা প্রেসর অমা পীহৌবা চুমগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিং চুংশিন্নবা ঙমদ্রগসু কোংগ্রেসনা অসাম, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটিগী লুচিংবশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়াগনি। মতৌ অসুম্না অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংসু মখোয় মখোয়গী ওইবা পার্টিশিং পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শিংনৈ হায়না লৌরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি থেংনহৌনবা হৌজিক্তগী হৌনা থবক পায়খৎপগী মতম য়ৌরে হায়জনীংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### মহাভারত মতেক অমতং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

পুন্সিদা থোক্লিবা থৌদোক অমতং শৈরেং-ওই, করি-ওই হায়বা পূন্না খঙমিন্নবা মহাভারত্তা সনাগী লৈহাও কৎপগী ৱারীদা পুশিঞ্জদুনা ইজরি। তামিন্নসি- হে প্রভু! হে ভোলানাথ! হে শিব শঙ্কর! হে মপূম নৎত্রবদি তঙ্খায় কৎপদা লৌদবা অশুপ্পা মপু! ননাই তোল্লবনা লাইয়াম পূন্নমকসু য়াবিরবনিনা ইফম মচা অমতং ফংজবা ঙম্নবা বর অমত্তং নিজবদা প্রভুনা ননাইবু চানবীদুনা সনাগী লৈহাও কোটি অমা প্রভুগী শ্রীচরন্দা কৎচৌ তাকপীবদুদা ননাইদি লৈতবা লায়রবনি সনাগী লৈহাও কোটি অমগী তঙ্খায় লাক্ষ য়াঙ্খেদং কৎচরগে হায়না খুরুমজবদা প্রভুদি তঙ্খায় কৎপদি লৌদে তাকপীরেদো। অদুনা ননাই তোল্লবনা ঐগী লৈজবা য়ূম-ইঙ্খোল অমদি মাল-চাং পূম্মনক য়োম্থোক্তুনা প্রভুনা তাকপীবা কোটি অমা অদুগী মরি থোকপগী অহুম সনাগী লৈহাও তগৎ তগৎ তেকপা লাক্ষ ৭৫ খক্তং প্লাষ্টিক খাও অহনবদা হাপ্তুনা প্রভুগী শ্রীচরন্দা ইঙক্তা ফি য়েৎতুনা দন্দবদ ১০৮ লক্কা লোয়ননা ইমিৎতা ইপি তাদুনা কৎচরি। হে প্রভু! মপুম নৎত্রবদি তঙ্খায় কৎপদা লৌদবা অসুপ্পা ইবুংঙো নঙনা ননাই তোল্লবনা কৎচরিবা অসিদা পেনবিয়ুকো। ওঁ সদশিব নমো, ওঁ শঙ্কর দেব নমো, ওঁ ভোলানাথ নমো, ওঁ তঙ্খায় য়াদবা অসুপ্পা মপূ নমো।

*অদোমগী - ওক্রম থাদোই চনু*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১। মখাদা পীরিবা ৱাহে অনীসি থায়না কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙ অনীগী মমিংনি। মথৌ করি করিনো? তেন্না হায়য়ু :
(ক) চৈরাপ (খ) গারোৎ।
২। "সনামহী ঙৌবরেন/ফূহিং সনা লাইজরেন/শনজিং ফম্বাল মহীরেন।" পরেংশিংসি লাইনিংহল ফুল্লোগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।
৩। কুমজা ২০০৩দা ঐখোয়গী খোরিরোলদা নেপালি অইবা অমনা 'কোরৌগী মশেক মঙাল' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা খুদোল তম্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "মুতুম দেবলাগী 'রোমিতা' না থেংনরিবা সমস্যাসি হৌজিক্কী অনৌবা নুপীগী সমস্যানি।" ৱাফমসি ক্রিটিক অমনা হায়বনি। দেবলাগী উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। কুমজা ২০১১দনা ত্রাইবেল অইবা অমনসু 'ঈচেলনা কংলবদি কোঙ্গোলসু তাকখিনি" কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোক্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# *লৌমীশিংগী কাখল*

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

১. অঙনফৌগীদমক লৌহোন হুনবা য়ারব্রা? কনাগুম্বা খরদি মমাঙ থাদগী হুন্নবসু য়াওরে। য়ারবদি ঐগীসু হুল্লসিরা খল্লি।

*- এ গোবিন্দ মৈতৈ*
*হিয়াংলম*

➡ লৌহোন হুনবা ঙনমল্লি। মমাঙঙৈদবুদি ওক্টোবর থাদা হুন্নবসু য়াওই অদুবু কান্নবা ইফং ফংদে। লৌহোন্না লৌফমদা কুইনা মনাশিং ঙাঙশিন্না শুংজিন্দুনা লৈবা মরম্না ঐখোয়দা মাঙজবনা হেল্লি। জান্যুৱারী থা লোইশিল্লকপা নৎত্রগা ফেব্রুৱারী হৌরকপদা হুনসি, য়াম্না কোম্না নংগনি। মতম মরাং কায়না ফংগনি।

২. তিলহৌ লীংথোকপা নুমিৎ ২০নিমুক শুরে। ইচাউ চাউখৎতে। শুংজিন্দুনা লৈ। হাপফম থোকপা হার, ঈশিং চপ চানা পীরবসু চাউবা হেন্দ্রিবসি করি হাপ্লগা চাউহনবা য়াগদগে?

*- সাপম তোম্বা সিংহ*
*খোইজুমান*

➡ হাপফম থোকপা পূন্নমক হাপ্লগা চাউদ্রবা অমসুং লায়নানা মরম ওইরগা শুংজিনবা নৎত্রবদি Humicil কাপথোকপা য়াই। পাম্বীসু নৌরিবনিনা Humicil মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোকসি।

৩. ঐগী লৌফম লৈরিবা লৌকোনসিখক নত্তনা লৌকোন খুদিংদা মেছিন্না ফৌ য়ৈনৈ। চরুশিং পৈ পৈদুনা লৈ। মীওই খরনদি মৈ থাদোকই। অদুবু মীওই খরনদি মৈ থাদোকপা ফত্তে, মৈ থাদোক্লোইদবনি, চরুশিং চাইথোকপনা ফৈ হায়রবসু ঐগীদি লৈবাকসি খোইদোক্লগা থমনীংই। খোইদোকপদা চরুশিং চেন্নরক্তুনা খোইবা নুংঙাইরোইদ্রা হায়নসু খল্লি। তৌবা য়াবা লায়গদবা থৌরম খরদং খঙজনীংই।

*- থোইবা*
*এলাংখাংপোকপী*

➡ চরু মৈ থাদবনা ফৈ। খোইদোক্লগা থমগদবা লৌফম ওইরবদি খোইরবা মতুং চাইথোকপা য়াই। হঙ্গাম হুনগদবা ওইরবসু হুল্লবা মতুং চরুদু চাইথোকপা য়াই। নিংথম মহৈ মরোং থাবা খুদোংচারোইদবা ওইরবসু চাইথোক্লগা থম্বা য়াই। ষণনা চরু খরা চাখ্রবসু, ষম্থি খরদা ওইরবসু তাহৌগনি। চরুশিং পৎখ্রবা মতুং লৌফমগী ওর্গেনিক মেটর হেনগৎলক্কনি। মৈ থাদোকখ্রবদি করিসু লৈহৌরোই, পোষ্টাস খজিকখক নত্তনা।

### পাউখুম পীবিরিবা ঃ
### ডা. এম থোইথোই সিংহ

শঙম অমা চরু চাইথোকপদা খুলং অমদগী হেন্না চংনীংঙাই লৈতে। মথং লৌরোক্তা চঙগদবা হারদগী খুলং অমগী শেনফম (লুপা ৩০০) তাথনা হাপ্লগা খেন্নবদু য়েংসি।

৪. মমাঙঙৈগা ইমান মান্নদবা মওংদা কোবীগী খরা লিতক তৌবা মনাশিংগী মখা থংবা মায়কৈদা মীওইবগী উনশাদা থুংবা শজিক্লুম নৎত্রগা হকচাং/উনশা লেম্বা হায়না খঙনবা মিলিমিটর ২/৩ মুক চাউনা তোঙথোক তোঙথোক্না লৈবা য়াম্না য়াওরে। মসিবু করি লায়নানো? হায়রিবা লায়ওংসি Rare ball অমসুং Green hero অনীমক্তা থেংনৈ। হয়েং মপূং ফারবা মতুংদা য়োনবা শিৎলোইদ্রা চিংনরে। মসিবু করম্না ফহনবা থাগদগে হায়বদু খঙজনীংই।

*- ৱাংজিং নিল্লচন্দ্র*

➡ কোবী থাফমদু তুরেল ময়া নকপা নৎত্রগা খরা কুৎতক তৌবা মফম শোয়দনা ওইরমগনি। মরমদি লায়নাসি ঈশিং হেনবগী লায়নানি 'ইডেমা দিজিজ' হায়না খঙনৈ। লৈবাক্তা ঈনিল লৈবগী চাং খরা হন্থহল্লগা মথন্তা ফরক্কনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,**
**ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং**
**চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল hueiyenagri@gmail.com দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# ঙা মখল কয়া য়োকপগী তঙাইফদবা

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ**





মতাং অসিদা ঙাগা মরী লৈনবা লূপশিং অমদি মহৈ-লোইশঙ পূন্নমক্কী পূক্নিং চিংশিনজনীংই অমদি অনৌ অনৌবা ঙা কয়াগী মরমদা থিজিল্লবা মতুংদা অনৌবা ঙা কয়া য়োক্লরক্লগনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

**ইন্দিয়াগী** মফম অয়াম্বদা হৌজিক য়োক্লরিবা ঙা মখলশিং হায়রগা রৌ, কটলা, ম্রিগল, শিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবীনি। তৌইগুম্বসুং অনৌবা ঙা হায়বদি হান্নবা য়োক্লরমদবা ঙা মখল কয়া ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা য়োক্লবা হৌনরক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাহৈ, পাবদা, ঙাক্রা, তুংহনবী, খজিং, পেংবা, ত্রাউট অসিনচিংবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অনৌবা ঙাশিং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি মফম খুদিংমক্তা য়োকপা চানগনি হায়বদি লৈতে। মরম অদুনা চানবা ঙা মখল য়েংবীরগা য়োকপীগদবনি। অনৌবা ঙা অমা য়োকপা হায়বসি ঙাদু য়াম্না থুনা চাওগনবা, মমল য়াম্না ৱাংবা, ময়াম্না য়াম্না পাম্নবা অসিনচিংবা মগুণশিং চেনগদবনি। তৌইগুম্বসুং মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওং ফজনা খঙদোক্কদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা ঙা মখল অমা ময়াম্না য়াম্না পাম্নরবসু মচা পুথোকপগী থৌওং ফজনা লৈতবা অমদি মচা ফংদ্রবদি হায়রিবা ঙা অদু য়োকপগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনগনি।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক পুথোক্লিবা ঙাগী চাং অসি ঐখোয়গী দরকার ওইবা অদুদগী অসুক্কী মতিক নেমখ্রে। তৌইগুম্বসুং অনৌবা ঙা মখল কয়া য়োক্লরক্লবদি খরমখৈদি মেনখৎপা ঙমগনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী পাক চাউবগী চাউরাক্লা চাদা তরাখক্তমক তম্পাক্কী লমনি অদুগা লেমহৌরিবা মরিফুতরা অদুনা চীংগী লমনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক পুথোক্লিবা ঙাশিং অসি তম্পাক্কী লমদগী অয়াম্বনি। চীংগী লমশিং অসিদগী ঙা পুথোকপা হৌরক্লবদি ঐখোয়গী দরকার ওইবা ঙাদগী লেম পানা পুথোকপা ঙমগনি। চীংগী লমশিং অসি অয়াম্বনা অইংবা মফম ওইবনা অইংবা মফমদা হৈনবা ঙাশিং য়োক্কদবনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা রৌ, কটলা অমদি ম্রিগল চানবা খরা ৱাৎকনি অদুনা পুকলাওবী, নাপী চাবী, শিলভর ত্রাউট অমদি মফমশিং অসিদা হান্নদগী লৈজরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা খাবক, সনাঙা, নীংঙা অসিনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওংশিং ফজনা খঙদোকপা তঙাইফদে।



ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনা খুদোংচাদবা অমনা হৌজিক হৌজিক ঙা ফজনা য়োক্লরিবা তম্পাক্কী শরুক খরা অসিসু চহী অমদা থা তরুক অমদি ইংই। মরম অদুনা অশাবা লমদা হৈনবা ঙাশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসি চাওগন্দে। মরম অদুনা অইংবা মফমদা হৈনবা ঙা য়োকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদসু নত্তনা মমল ৱাংবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা ঙাশিং য়োকপগী তঙাইফদবসু লৈ।

ঙাতোন অমদি পেংবাগুম্বা য়োকপা মথৌ তাই। মসিনা ঙাথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা ঙা য়োক্লিবা ঙামীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্দুনা নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা মতেং পাঙগনি। অনৌবা ঙা কয়া য়োকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়দুনসু ঐখোয়গী হান্নবা লৈজরম্বা ঙাশিং অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীগদবা কয়া মপান লমদগী পুশিল্লক্তুনা য়োক্লবা থেংনৈ। মসি তৌবিরোইদবনি। মরমদি হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োকপদগী ঙাথোক খরা হেনগৎলবসু মসিদগী থোক্লকপা অমাঙবনা য়াম্না হেল্লি।

নাপী চাবী, পুকলাওবী, শিলভর হায়রিবা ঙাশিং অসি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনি। অদুবু মখোয়না থোকহনবা অমাঙবগা কান্নবগা চাংদম্নবদা কান্নবনা হেনবা মরম্না মখোয়শিং অসি ফজনা য়োক্লরিবনি। তৌইগুম্বসুং য়াম্না থুনা চাউগল্লি অমদি ঙাথোক লৈ হায়দুনসু জপান ঙাক্রা হায়রগা খঙনবা অফ্রিকান কেটফিসগুম্বা ঙা অসি য়োকপীরোইদবনি। তুংহনবী, পুকলাওবী অমদি ঙাহৈগুম্বা ঙা কয়াসু মণিপুরদা য়োকপা হৌনরে। মখোয়শিং অসিগীসু কান্নবা-কান্নদবা কয়া লৈরি। মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা কয়াগী অফ-ফত্ত ময়াম অসি ঙা য়োক্লিবা ঙামীশিংনা ফজনা খঙবা ঙম্নবসু ঙাগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংদা ফজনা থিজিল্লবা মতুংদা পুশিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎচহন্নীংই।

মণিপুরদা লৈরিবা ঙা মখল অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মরুওইনা চীংগী লম অমদি অঈংবা মফমদা হৈনবা ঙা মখলশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হায়রিবা ঙাশিং অসিদগী অফবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা ঙাশিং খনগৎলগা মখোয়গী মরমদা থিজিল্লবা মতুংদা য়োকপগী থৌরম পায়খৎলবদি মণিপুরদা ঙা পুথোকপগী চাংসি অঙকপা ফংনা হেনগৎহনবা ঙমগনি। মরমদি মণিপুরগী অপূনবা পাক চাউবগী চাদা মরিফুতরাগী লমদগী ঙা পুথোকপা য়াগনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মণিপুরগী পাক চাউবগী চাদা তরাখক্তমক ওইরিবা তম্পাক্কী লম অসিখক্তগী ওইনা অয়াম্বা শরুক্কী ঙা পুথোক্লি। মণিপুরদা ফংলিবা ঙাশিং অসি চাবখক্তমক নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা মখল কয়া য়াওরি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌরমশিং ফজনা থিজিল্লগা য়োক্লরক্লবদি মপান লৈবাকশিংদা থাদোকখিদুনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা শেনফম কয়া তানবা য়াগনি।

অসুম্না হান্নবা য়োক্লরম্বা ঙা মখলশিং অসি নত্তবা অনৌ অনৌবা ঙা মখলশিং য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।